## নাটো এয়রষ্ট্রাইক্তা মিলিটেন্ট ১০ শিরে

কাবুল, মে ১২ (এজেন্সি):
নাটোনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সেসনা অফঘানিষ্টানদা লৈবা টালিবানগী লোৎফমদা পাইলোট য়াওদবা এয়রক্রাফ শীজিন্নদুনা লান দাবদা মিলিটেন্ট ১০ শিরে হায়না অফঘান পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অদুগী বর্মাল দিষ্ট্রিক্টতা চথুখিবা এয়রষ্ট্রাইক অদুদা মিলিটেন্ট ১০ শিখি অমসুং মিলিটেন্টশিংগী গাড়ি অমা অমাঙ-অতা থোকখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

## অশিবা হকচাং ৩৫ ফুল্লম্বা থেংনরে

মেক্সিকো সিটি, মে ১২ (এজেন্সি):
মেক্সিকোগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি ওইরিবা গুইদলাজরাগী মেট্রোপোলিটান এরিয়াদা অশিবা হকচাং ৩৫ ফুল্লম্বা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থেংনরে হায়না ষ্টেট প্রোসিক্যু-টরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মেক্সিকোগী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা ড্রগ গেংশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা জালিস্কো ন্যু জেনরেসন কার্টেলে লৈরিবা ষ্টেটকী মফম অমদা অশিবা হকচাং ময়াম অমা ফুল্লল্লিবদু করম্বা মতমদগীনো হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি।

## লীংজেল মান্ননা য়ু এসকী প্রেসর মায়োক্লনবা ইরানগী রৌহানিনা আপিল তৌখ্রে



দুবাই, মে ১২ (এজেন্সি):
ইরানগী মায়োক্তা য়ু এসনা অথিংবশিং থম্বা হেনগৎলকখিবগা ইরোইননা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা ইরাক্কা লান শোক্লখিবা মতমদা লৈখিবদগী হেন্না লুবা ফিভমশিং লাকহৎপা ঙম্নবা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল ফেক্সনশিংগী মরক্তা লীংজেল মান্ননা লৈনবা আপিল তৌখ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাংজ নুমিত্তা ইরানগী লুচিংবশিংগা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম থাদোকপগী মতাংদা মহাক্কা ফমিন্নদুনা ৱারী শান্নবা তকশিনখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগা মরী লৈননা ইরানগা য়ু এসকা লান শোক্লরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংদা য়ু এসকী অকনবা প্রেসর থেংনববা লীংজেল মান্ননা খোঙফম অমত্তদা লেপ্তুনা লৈননবা আপিল তৌখিবনি।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ইরানগী থাও থাদোকপগী থবকশিং থিংজিন্নবা অমসুং গল্ফ লমদমদা য়ু এস নেভি অমসুং এয়রফোর্সকী মতিক ময়াই লৈরবা খুৎলায় কয়া থাজিনবগা লোয়ননা ইরানগী মথক্তা ইকনমিক অমসুং মিলিটরি প্রেসর হেনগৎহনখিবনি। ৱাশিংটন্না মিদল ইষ্টতা অহেনবা পেট্রিয়ট মিসাইল কয়া নৌনা দিপ্লোই তৌবগী ৱাফমসু এপ্রুভ তৌখি। য়ু এসনা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ইরানদা প্রেসর কা হেন্না পীরকপদগী ওইরক্লিবা ফিভমশিং কুমজা ১৯৮০ অমসুং কুমজা ১৯৮২ গী মরক্তা ইরান্না ইরাক্কা লান শোক্লখিবা মতমদা লৈখিবা ফিভমশিংদগী হেন্না ফরিব্রা নৎত্রগা ফত্তব্রা হায়বসি চপ চানা লেপ্পা ঙমদ্রবসু মতমদুদদি বেঙ্কশিং, থাও য়োনবা নৎত্রগা ইনপোর্ট অমদি এক্সপোর্টশিংদা প্রোব্লেম অমত্তা লৈখিদে। ইরাক্কা লান শোক্লরিঙৈ মতমদা খুৎলায় লৈবখক্তংদা অথিংবা লৈখি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি আই আর এন এনা রৌহানিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

য়েক্লবনা পীরক্লিবা প্রেসরশিং ঐখোয়গী ইস্লামিক রেভোল্যুসনগী পুৱারীদা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা লান অমনি হায়না লৌবা য়ারবসু ঐখোয়না মসিদা মীপাইনিংঙাই ওইদে। ঐখোয়না লীংজেল মান্ননা অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নরবদি অসিগুম্বা অরুবা ফিভমশিং অসি লাকশিনবা ঙমগনি হায়না রৌহানিনা তোঙান তোঙনবা পোলিটিকেল ফেক্সনশিংগী এক্তিভিষ্টশিংদা হায়খি।

## লেন্দিং গ্যার ফেল ওইরবা ম্যান্মারগী প্লেন অমা অশোয়-অঙাম য়াওদনা তাখ্রে



য়াঙ্গোন, মে ১২(এজেন্সি):
লেন্দিং গ্যার ফেল ওইবদগী শীজিন্নবা য়াদ্রবা ম্যান্মার নেসনল এয়রলাইন্সকী পেসেঞ্জর জেট অমা পাইলোটনা নোংমাইজিং নুমিত্তা প্লেন অদুগী মমাংথংবা হ্বিলশিং য়াওদনা লৈমায়দা অশোয়-অঙাম য়াওদনা লেন্দিং তৌখ্রে হায়না এয়রলাইন অসিনা অমসুং ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়াঙ্গোনদা অকনবা নুংশিৎ অমা শিৎলকখিবদগী বিমান বংলাদেশ এয়রলাইন্সকী প্লেন অমা রনৱেদা শিৎতুনা য়ামদ্রবদা প্লেন অদুদা তোংলিবা মীওই ১৬ অশোক-অকন নংখিবা মতুংদা চয়োল অসিগী মনুংদা মসিনা ম্যান্মারদা থোকপা অনীশুবা প্লেন এক্সিদেন্টনি। টেক্নি কেল ফেল্যর লৈদুনসু পাইলোট অদুনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা মন্দালে এয়রপোর্টতা এমব্রায়র ১৯০ এয়রক্রাফ অদুবু অশোয়-অঙাম য়াওদনা লেন্দিং তৌখিবদুবু ওফিসলশিংনা থাগৎনখ্রে। থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক-অপন থোকখিদে হায়রি।

পাইলোট অদুনা শীংথানিঙাই ওইবা অচৌবা থবক অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ট্রান্সপোর্টেসন এন্দ টেলিকম্যুনিকেসন মিনিষ্ট্রিগী পার্মিনেন্ট সেক্রেটরি ৱিন খান্টনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবসু হৌখ্রে।

ষ্টেটনা চলাইবা করিয়র ম্যান্মার নেসনল এয়রলাইন্সকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, এয়রক্রাফ অদু য়াঙ্গোন সিটিদগী পাইখ্রবা মতুংদা সেন্ট্রেল সিটি মন্দালে য়ৌশিল্লকপদা পাইলোট অদুনা প্লেন অদুগী মমাংথংবা লেন্দিং গ্যার হায়দোকহনবা (এক্সটেন্সন) ঙমখিদবনি। কেপ্টেন ম্যাট মো উং কৌবা পাইলোট অদুনা প্লেন অদু এয়রপোট অদু লান্না অনীরক পাইদুনা এয়রট্রাফিক কন্ট্রোলরশিংবু লেন্দিং গ্যার মখাদা তারব্রা হায়বদু চেক তৌহন্নবা হোৎনখি। মদুগী মতুংদা কেপ্টেন অদুনা ইমর্জেন্সি প্রসিজরশিং পাঙথোকখি অমসুং লেন্দিংগী মতমদা অরুম্বগী চাং হন্থহন্নবা থাওসু চাকথেকহনখি হায়না এয়রলাইন্স অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি। প্লেন অদুদা চপ চানা পেসেঞ্জর কয়া তোংখিবগে হায়বা ফোঙদোকখিদ্রবসু এয়রক্রাফ অদুগী কেপাসিটি সিট ৯৬ তগীনা ১১৪ ফাওবনি হায়রি।

## অফঘানিষ্টানদা এক্স-জর্নেলিষ্ট, কলচরেল এদভাইজর নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে



কাবুল, মে ১২ (এজেন্সি):
হান্না জর্নেলিষ্ট অমসুং অফঘানিষ্টানগী লৱার হাউস ওফ পার্লিয়ামেন্টকী কলচরেল এদভাইজর ওইরম্বী নুপী অমা কাবুলদা থাংজ নুমিত্তা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বা কাঙবুশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

হান্নগী জর্নেলিষ্ট অদুনা সোসল মিদিয়া পোষ্ট অমদা মহাক্কী পুন্সি খুদোংথিনিঙাই ওইরে হায়না ফোঙদোকখিবা নুমিৎ খরনিখক কান্নরগা খুৎলায় পায়বশিংনা মহাকপু হাৎখিবনি। মেনা মঙ্গল কৌবী অফঘানিষ্টানগী হান্নগী জর্নেলিষ্ট অদু লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা প্রাইভেট ব্রোদকাষ্টর ওইরিবা পাষ্টো-লেঙ্গৱেজ চেনেল টোলো টি ভিগী প্রজেন্টর অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙবা হৌখি। তুংদা মহাক লেমার টি ভি, সমসদ ন্যুজ অমসুং অরিয়ানা টি ভিগুম্বা লোকেল টি ভি নেটৱার্কশিংদা থবক তৌখি। মহাকপু থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পোবোপ্তা কাবুলগী পি দি ৮ দা লৈবা কার্ট-ঈ-নাও এরিয়াদা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক্ট তৌখিবনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরির এফেয়রসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা থিজিনবা হৌখ্রে। এটেক্ট অদুগী মতুংদা অফঘানিষ্টানগী নুপী রাইটস এক্তিভিষ্টশিংনা খোইরাং খোইশাওনবা উৎপগা লোয়ননা অফঘান ওথোরিটিশিংবু কিহল্লকপা কয়া লৈরবসু মহাকপু ঙাকপি শেনবিখিদে হায়না মরাল শীখ্রে।

নুপী অসিনা সোসল মিদিয়াদা মহাক্কী পুন্সি খুদোংথিনিঙাই ওইরে হায়না ফোঙদোত্তুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পুক্নিং চিংশিনখ্রবসু অফঘান ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী করিগুম্বা মখলগী খোঙথাং অমত্তা লৌখৎখিবা লৈতে। অসিগুম্বা থৌওং অসিগী পাউখুম ঐখোয়না পাম্মী হায়না অফঘান হ্যুমেন রাইটস উকিল অমা ওইবদা নত্তনা নুপীগী রাইটশিংগী কেম্প্যেনরসু ওইরিবা ৱাজহমা ফ্রোঘনা ফোঙদোকখি। সোসাইটি অসিদা নুপাশিংনা মখোয়না য়াদবা নুপীশিংবু ইরাই লায়না হাৎতোকপগী ফিভম অমা লৈরিবসি পেন্নিংঙাই ওইদে হায়নসু ৱাজমা ফ্লোঘনা ফোঙদোকখি।

## য়ু এস ট্রুপশিং হন্দোকখ্রবদি টালিবান্না অফঘানিষ্টান অমুক হন্না পায়শিনখিবা য়াই : রোবর্ট গেটস



ৱাশিংটন, মে ১২ (এজেন্সি):
করিগুম্বা অফঘানিষ্টান্দগী অমেরিকান ট্রুপশিং লৌথোকখিবা তারবদি টালিবান্না লৈবাক অসিবু অমুক হন্না কন্ট্রোল তৌখিবা য়াবগী থাংঙৈশেংবা খুদোংথিবা ফিভম অমা লৈ হায়না হান্নগী য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি রোবর্ট গেটসনা হায়খ্রে।

অমেরিকান ফোর্সশিং লৌথোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা দোনাল্ড ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না অফঘান গভর্নমেন্টপু মরা চেৎপা ফিভমদা থমগদবনি হায়না গেটসনা সী বি এস ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, লাননা কাং-খোং চাইহল্লবা লৈবাক অদুদা হৌজিক য়ু এস সার্ভিস মেম্বর ১২,০০০ লৈরিবনি। অমেরিকান ট্রুপশিং লৌথোকপগী মতাং অসিদা হৌজিক লৈরিবা অফঘানিষ্টানগী ফিভম য়াম্না মুন্না খন্নবা চঙই। অফঘানিষ্টানগী তুংগীদমক্তদি অফঘান গভর্নমেন্টদা য়ৈখায়-থিনগায়বা কয়া মতুংদা লাকহন্দনবগী খ্বাইদগী ফবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনফম থোকই হায়না হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগী মখাদা কুমজা ২০০৬ তগী কুমজা ২০১১ ফাওবা য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি ওইখিবা গেটসনা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা টালিবান্না অফঘানিষ্টান কন্ট্রোল তৌখিবা মতমদা লাক্কদবা ফত্তবা মহয়শিংগী মনুংদা মরু ওইনা অফঘান নুপীশিংগী রাইটসশিং অদুক্কী মতিক হন্থরকপা য়াবগী ফিভম পনবা য়াই হায়খি। কুমজা ২০০১ গী মমাংদা অফঘানিষ্টান্দা টালিবান রেজিম লৈরিঙৈদা মখোয়না নুপীশিংনা স্কুল কাদুনা মহৈ তম্বা অমসুং গভর্নমেন্টগী থবক পায়বগী মায়োক্তা লৈখিবনা নুপীশিংদা অকনবা রুল কয়া চৎনহনখি।

মরম অদুনা হৌজিক খ্বাইদগী মরু ওইনা খন্নগদবা ৱাফমদি টালিবান্না লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ওপরেট তৌবগী ৱাফমদা য়াদুনা মখোয়বু পোলিটিকেল প্রোসেসকী শরুক অমা শোয়দনা ওইহনগদবা থৌরাং অমা ৱারী শান্নদুনা পুরকপা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসিনি হায়না গেটসনা হায়খি। অফঘান গভর্নমেন্টনা ৱারী শান্নবদা য়াওদ্রবসু য়ু এসনা হৌজিক অফঘানিষ্টানগী লান অদু লোইশিন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবা নিগোসিএসনশিংদা শরুক য়ারিবনি।

## প্রাইম মিনিষ্টর শীন্দোক্লবা হোৎনবনা ব্রেক্সিটকী ৱারী লুশিনহল্লে : লেবরগী লুচিংবা



লন্দন, মে ১২ (এজেন্সি):
কঞ্জার্ভেটিভ লুচিংবশিংগী মরক্তা টেরেসা মেবু প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোক্লগা অতোপ্পা অমনা শীন্দোক্ল বগী লাল্লোং কয়া চথুনরিবা অসিনা লেবরগা ৱারী শান্নবদা মাই পাকহন্দবগা লোয়ননা ব্রেক্সিটকী মতাংদা নাকল অনীগী মরক্তা শন্দাইনবা অমা পুরকপা ঙমদবা য়াই হায়না লেবর পার্টিগী লুচিংবা অমা ওইরিবা জোন মেকদোনেলনা ফোঙদোকখ্রে।

বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টনা প্রাইম মিনিষ্টর মেগী য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা য়ানখিবা বৃটেন্না ব্লোক অসিবু থাদোকপগা মরী লৈনবা দিল অহুম্লক রিজেক্ট তৌখিবদা মহাক্না করিগুম্বা এম পিশিংনা মহাক্কী ব্রেক্সিট দিল অদু য়ারবদি মহাক মফম থাদোক্কে হায়না ওফর তৌখি। মদুগী মতুংদা ব্রেক্সিটকী মতাংদা ওপোজিসন লেবর পার্টিগা য়াশিন্নবা অমা পুরক্ল বগীদমক্তা মহাক্না পার্টি অসিগী লুচিংবা জেরেমি কোরবিনগা ৱারী শান্নরকখিবনি।

ব্রেক্সিটকী মতাংদা কঞ্জার্ভেটিভ পার্টি মনুংদা খায়বুং তান্নবগী ফিভম লৈবদগী দিল অমা পার্লিয়ামেন্টতা এগ্রুভ তৌহনবা ঙমদদুনা লৈরিবা মেগীদমক্তদি লেবরগা ৱারী শান্নরিবসি মহাক্কী অরোইবা পান্বেনি হায়বা য়াই। পার্লিয়ামেন্ট হঞ্জিন-হঞ্জিন এগজিট এগ্রীমেন্ট রিজেক্ট তৌখিবদগী মালেমগী মঙাশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনমি ওইরিবা বৃটেনদা পোলিটিকেলগী লৈখায় তাদবা ফিভম অমা লাকখিবনি।

লেবর পার্টিগী ফানাইন্সিএল স্পোক্সমেন অমসুং পার্টিগী নিগোসিএসন টিমগী মেম্বর অমা ওইরিবা মেকদোনেলনা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদু য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখি।

কঞ্জার্ভেটিভ পার্টি মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর শীন্দোক্লবা হোৎনবগী লাল্লোংশিংনা মরম ওইদুনা ৱারী শান্নবদা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী চৎনবা য়াবা ৱাফম অমত্তা পুথোরকপা ঙমদবদা নত্তনা মতাং খরদদি মমাংগী ৱারী হঞ্জিন্নবগী ফিভম ফাওবা য়াওরে হায়না লেবর পার্টিগী লুচিংবা অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল চাংয়েংশিংনা থাজনবা থুগায়খিদে : ট্রম্প



ৱাশিংটন, মে ১২ (এজেন্সি): নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা চায়োলদা মিসাইল চাংয়েং কয়া পাঙথোকখিবদা পেন্দবা ফোঙদোকখিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অনৌবা ৱাখল্লোন অমা উৎলদুনা মিসাইল চাংয়েংশিং অদুনা নাকল অনীগী মরক্তা লৈনরিবা থাজনবা মাঙহনবা লৈতে অমদি কিম জোং-উনগা মহাক্কা লৈনরিবা মরীদা অকায়বা পীনিংঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মমাংগী থাংজ নুমিত্তা প্রোজেক্টটাইল খরা চাংয়েং তৌখিবা মতুংদা হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তসু সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইল অনী কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৭ গী নবেম্বরদা গাইদেদ মিসাইল খরা চাংয়েং তৌখিবদগী নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা মিইসাল চাংয়েং তৌবা লেপ্লকখিবনি।

## প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসকী থোঙ্গালদা প্রোটেষ্টরশিংনা পেট্রোল বোমশিং লংশিনখ্রে

টিরানা, মে ১২ (এজেন্সি):
অলবেনিয়াগী ওপোজিসন প্রোটেষ্টরশিংনা থাংজ নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর এদি রামাগী ওফিসকী থোঙ্গান দা পেট্রোল বোম কয়া লংশিনখ্রে।



মীখলদা নমথাক তৌখিবা অমসুং করপসনগী ৱাথোক কয়াগা মরী লৈননা ওপোজিসন প্রোটেষ্টরশিংনা থা অহুম্লোম ইরাং হৌদুনা এদি রামাবু মফম থাদোক্লবা তকশিল্লকখিবা মতুংদা থাংজ নুমিৎকী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

কুমজা ১৯৯০ দা বালকান লৈবাক অলবেনিয়াদা কম্যুনিজম থুপচিনখিবা মতমদা প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিংনা লাউখিবা 'ঐখোয়না য়ুরোপিয়ন অলবেনিয়া অমা পাম্মী' হায়বা খোল্লাও অসিবু নৌহৌনা লাউরদুনা ওপোজিসন প্রোটেষ্টরশিংনা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদগী লৈবাক অদুদা মীখল ঙন্না পাঙথোক্লবা তকশিল্লকখিবনি। মদুগী মমাংদা ওপোজিসন লোমেকরশিংনা পার্লিয়ামেন্টকা মরী তৎনখি।

মাইখুম উপ্পা কাঙবু অমা য়াওনা প্রোটেষ্টর খরনা পেট্রোল বোমশিং অমসুং ফায়রক্রেকর কয়া প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসকী থোঙ্গানদা লংশিনখি। মখোয়না তুংদা পার্লিয়ামেন্ট তম্নসু থোমজিন্দুনা ইরাং হৌখি। ওপোজিসনগী অকনবা ইরাং অদুদা পুলিস পর্সনেল ১০ হেন্না অমসুং প্রোটেষ্টর কয়া অশোক-অপন নংখি হায়না পুলিস অমদি পাউমীশিংনা ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টরগী বিল্ডিং অদুদা এটেক্ট কয়া চথুখিবদুগী মরক্তা ওপোজিসন দেম্মক্রেটিক পার্টিগী লুংচাবা লুলজিম বাসানা গভর্নমেন্টনা অলবেনিয়াবু য়ুরোপদগী মখা তানা তোখায়না থল্লিবমখৈ হেন্না কনবা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি হায়খি।

## য়ু এসকা শানবা লল্লোন-ইতিক্কী ৱারী কায়দ্রি : চাইনা



ৱাশিংটন, মে ১২ (এজেন্সি):
চাইনা অমসুং য়ু এসকী মরক্তা লৈরিবা লল্লোন-ইতিক্কী য়ানদবা ৱাফমশিং লৈখায় তানবা চথুরকখিবা নিগোসেসন্স কায়বা লৈতে অমসুং মখা তানা বৈজিংদা য়াম্না থুনা ৱারী শান্নগনি হায়না চাইনিজ ভাইস-প্রেমিয়র অমসুং লৈবাক অদুগী দিগোসিসন লিদর লীয়ু হেনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নাকল অনীগী মরক্তা লল্লোন-ইতিক্কী ওইবা ৱাফমশিংদা টেন্সন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চাইনাগী পোৎ-চৈ কয়াদা য়ু এসকী টারিফশিং হেনগৎহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লবগীদমক্তা নুমিৎ নিনিগী মীফম অমদা শরুক য়াননবা লীয়ু হে ৱাশিংটনদা লাকখিবনি। ৱাশিংটনদা ৱারী শান্নবা লোইরবা মতুং বৈজিংদা হন্দ্রিঙৈগী মমাংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা লীয়ুনা হায়খি, নাকল অনীনা লল্লোন ইতিক্কী য়ানদবা ৱাফমশিং লৈখায় তানবা ৱারী শান্নরিবদু কায়বা লৈতে।

পার্টি অনীনা ৱারী শান্নবদা ৱাফম মচা খরনা মরক মরক্তা খুরৌ থাংহনবা হায়বসিদি মহৌশানি। মতুং তাবদা লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানবা ৱাফম খরা শোয়দনা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লীয়ুনা ফোঙদোকখি।

বৈজিং অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা হৌজিকসু য়ানদবা ৱাফম খরদি লৈরি হায়না পনবগা লোয়ননা মহাক্না ইনৌ নৌনা ৱারী শান্নবদু মরম খরদা কান্নে হায়নসু ফোঙদোকখি।

লীয়ুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, টারিফ হেনগৎপগী ৱাফম্না লৈবাক অনীগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী য়ানদবা কয়া লাকহনবনি হায়না চাইনানা থাজে। অদুনা নাকল অনীনা য়ানবা অমা পুরক্কে হায়রবদি টারিফ খুদিংমক লৌথোক্কদবনি।

য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা লল্লোন ইতিক্কী মরু ওইবা খুরৌ অমদি চাইনানা অমেরিকাগী পোৎথোকশিং হান্না লৈরম্বা চাংদগী হেন্না লৈগদবনি হায়বা য়ু এস প্রসিদেন্টগী ৱাফম অসিনি। য়ু এসনা ইরাই নুমিত্তা দোলর বিলিয়ন ২০০ রোমগী চাইনাগী পোথোকশিংদা হান্না লৌরম্বা টারিফ চাদা ১০ দগী চাদা ২৫ দা হেনগৎহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা লীয়ুনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবনি।

## গুৱাইদোনা য়ু এস মিলিটরিগী মতেং লৌনবা হোৎনখ্রে



করাকাস, মে ১২ (এজেন্সি):
লৈবাক ৫০ হেনবনা ভেনিজ্যু-এলাগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা শকখঙখ্রবা নেসনল এসেমব্লিগী স্পীকর জোন গুইৱাইদোনা য়ু এসতা লৈবা মহাক্কী দেপ্লোমেটিক রেপ্রজেন্টেটিভ কালোস ভেকসিওদা য়ু এস সাউদর্ন কম্মান্দগা উনদুনা ভেনিজ্যু-এলাগী ৱাথোক অদু লোইশিনবা য়ানবগী মতাংদা করি মতেং পীনগদগে হায়বদু খন্ননবা পাউতাক পীখ্রে।

এম্বেসেদর কার্লোস ভেকসিওদা খুদক্তা সাউদর্ন কম্মান্দ অমসুং এদমিরেলগা উনদুনা কোওপরেসন পীনবগী মতাংদা হকথেংনবা মরী অমা শাগৎনবা ঐখোয়না খঙহনখ্রে হায়না ওপোজিসন লুচিংবা অসিনা থাংজ নুমিত্তা ইষ্ট করাকাসকী মফম অমদা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা ইফে ন্যুজনা হায়রি।

য়ু এসনা লুচিংবা মীচং ওইহনবা গভর্নমেন্টশিংগী সপোর্টকা লোয়ননা ভেনিজুএলাগী নেসনল ক্রাইসিস অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগী ওপসন খুদিংমক খন্ননবা লৈরে। ওপসনশিং অদুগী মনুংদা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা লৈঙাক্কী পৱার থাদোকপগী ৱাফম য়াওই হায়না গুইৱাইদোনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী সাউদর্ন কম্মান্দগী মকোক ক্রেগ ফোলরনা ত্বিটরগী মেসেজ অমদা মহাক্না ভেনিজ্যুএলাগী ওপোজিসন লিদরদা মতেং পাংনবা শেম শারে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং পুং ৪৮ খন্নরগা গুইৱাইদোনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ভেনিজ্যুএলা নেসনল এসেমব্লিগী মকোক অসিনা শগোলশেল নুমিত্তা হায়খিবদা, মহাক্কী লৈবাক্কী পোলিটিকেল ৱাথোক অদু মীরৈবাক্কী মিলিটরি মতেং লৌবা য়াবগী তাঙ্কক য়ৌরক্লে। অমরোমদা, মহাক্না অসিগুম্বা ৱারেপ অসি ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা মালেমগী লৈবাকশিংনা থম্মোয় শেংনা মতেং পাংনিংবগী ৱাখল চেনবগা মরী লৈনৈ হায়নসু পনখি। ক্যুবনা মিলিটরিনা ইন্টলিজেন্স ওপরেট তৌবা অমদি রসিয়ন মিলিটরি চঙলকপা অসিনা লৈবাক অসিদা মপান্দগী খুৎ থিজিল্লকপা হৌখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।